# জপানগী ঙনখৎনা পাঙথোকপা মীখলদা প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেগী পার্টিনা চাউনা মায় পাক্লে



টোকিয়ো, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সি) : জপানগী নিংথৌকাবা নুমিৎকী মীখলগী রিজল্টশিং লাকখিবগা লোয়ননা জপানিজ প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেগী লেফট দেমোক্রেটিক পার্টি অমসুং মহাক্কী জুনিয়র কোলিসন পার্টনর কোমৈতো অপূম্বনা হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসতা য়ামদ্রবদা সিট ৩১২ ফংবা ঙমখ্রে হায়না থাজনরি। মসি শিংথানিঙাই ওই হায়বা য়াই মরমদি জপানগী নেসনল দাইট হায়না খঙনবা চেম্বর অনী লৈলবা লেজিসলেচরগী হাউস অনীমক্তা অবেগা চুংশিন্নবা কাঙবুনা শরুক অহুম থোকপগী অনীগী মেজোরিটি ফংবা ঙম্লি।

নেসনল দাইটকী খরা মতিক ময়াই হন্থবা অপ্পর হাউসতা রুলিং কোলিসন্না হান্ননা শরুক অহুম থোকপগী অনীগী মেজোরিটি ফংখ্রবনি। হাউস অনীমক্তা সুপরমেজোরিটি হায়না খঙনবা শরুক অহুম থোকপগী অনীগী মেজোরিটি ফংবা ঙম্বসিনা মখোয়বু অপাম্বা পোলিসিশিং অমসুং লেজিসলেসন পুথোক্নবা হাউসতা ইরায় লায়না মুভ তৌবা ঙমহনগনি।

পনবা য়াবদি, মীখলদা চাউনা মায় পাক্লে হায়বা খঙলবা মতুংদা অবেনা মহাক্কী সুপরমেজোরিটি অদু পার্লিয়ামেন্টগী খূৎথাংদা কন্সটিট্যুসন্দা অহোংবশিং পুরক্নবা হোৎনবদা শীজিন্নরোই হায়না ফোঙদোকখি।

চেকশিনবগী ৱারোল অসি মহাক্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিঙৈ হৌখিবা থা খরসিদা অরুবা প্রোব্লেম কয়া থেংনখিবদু য়েংলগা তঙাইফদবনি হায়না লৌনরি। মায় পাকপা অসিনা অবেগী ফীভম হৌখিবা কালেনগী মতমদা মহাকপু শৌগৎপগী রেটিং চাদা ৩০দা হন্থখিবদুদগী মহাকপু পাম্না ঙাঙন-শক্ন খিবা ফীভমদুদা হঞ্জিল্লবনি হায়রি।

গভর্ণমেন্টবু মহাক্কা নকশিন্নবা মীওইশিংদা হেন্না খুদোংচাবা পী হায়না মরাল কয়া শিবদগী মমাঙদা অবেবু শৌগৎনবগী রেটিংশিং হন্থখিবনি। চহী মঙামুক্কী মমাঙদা ওফিস পায়বা হৌখিবদগী মহাক পার্টি লিদর অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর অনীমক ওইনা খুদোংথিবা ফীভম কয়া মতম অমদা হেক্তা মায়োক্ন রকপা য়াই হায়বসি উবা ফংনখি। রুলিং কোলিসন্না মায় পাক্লিবসি চংনবা য়াবা অবেগী মহুৎ শিনবা য়াবশিং লৈতবনসু মরুওইবা মরম অমা ওইবা য়ারি। ফীভম অসি মীখল মতুংগী কম্মেন্টশিংদগী অবে মশানা খঙজখি। লৈবাক্কী অয়াম্বা শরুক টাইফুন্না নোং কন্না চুহনখিবদগী ভোটরশিংনা ভোট থাদনখিবগী চাং চাদা ৫৪দমক ওইখি।

খুদিংমকসি ওইদুনসু হৌজিক রুলিং কোলিসন্না মতম খরগীদা নৎত্রগা শাংনগী ওইরবসু অচেৎপা খোঙফম অমা ফংলবনিনা কোলিসন গভর্ণমেন্টনা করি করি হীরমশিংদা মায় ওনশিনগদগে হায়বদু য়েংবা য়াই।

অহানবদা জপানগী মীয়াম অমসুং লমদম অসিনা টোকিয়োগী হান্নগী পোলিসি মখা চত্থবা উরগনি। মায় পাকপা অসিনা অবেগী হৌজিক্কী টর্ম মথং সেপ্তেম্বরদা লোইরবা মতুংদা মহাক্না মথংগী চহী অহুম অমসু মহাক্কী পার্টিগী লুচিংবা ওইবা য়াবগী চান্স ৱাংখৎহনবগা লোয়ননা মহাক্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইবগী মতমসু কুমজা ২০২১ ফাওবা শাংদোরকপগী ফীভম লৈ। মসিনা জপানগী লাল মতুংগী কন্সটিট্যুসন রিভাইজ তৌনবা মহাক্না মতম শাংনা মঙজরকখিবা মঙ অদু মঙফাওননবগী মতম পীরগনি হায়রি।

# ‘কোলিসন্না চত্থখিবা রাকা সিটিগী বোমিং অনীশুবা লাঞ্জাওদা দ্রেজদেনবু মাঙহন তাকহনখিবগা মান্নে’



মোস্কো, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সি) : সিরিয়াগী রাকাবু অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতমদা জর্মন সিটি দ্রেজদেনগা মান্নবা বোমিং কেম্পেইন চত্থদুনা য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসন্না পুংপাক পাক্না মাঙ তাকহল্লে অমসুং মাঙ তাকপগী ফীভমদু হ্যুমেনিটরিয়ন তেংবাঙ ময়াম থাজিন্দুনা কুপশিন্নবা হোৎনরে হায়না রসিয়ানা মরাল শীখ্রে।

রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা লাউথোকচখিবা কলিফটকী কেপিটেল রাকা সিটিগী ফীভম অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতম কুমজা ১৯৪৫দা এংলো-অমেরিকান বোমিংশিংনা মরম ওইদুনা দ্রেজদেনদা উখিবা মাঙ তাকপগী ফীভমদুগা মান্নরে।

য়ু এসনা শৌগৎপা কর্দিশনা লুচিংবা ফোর্সশিংনা হৌখিবা চয়োলদা আই এসনা লাউথোকচখিবা কলিফটকী কেপিটেল অমসুং সিরিয়াদা গ্রুপ অসিগী অরোইবা ষ্ট্রোংহোল্ড ওইরিবা রাকা সিটিবু জিহাদিষ্টশিংগী মখূৎতগী নৌনা লৌশিনখি।

প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা লুচিংবা য়ু এসকী ওফিসলশিংনা থৌদোক অদুবু থাগৎলদুনা আই এসকী অতোপ্পা এক্রোনিম অমা শীজিন্নরদুনা ‘আই এস আই এসকী কলিফট লোইবগী মতম লাক্লে’ হায়খি।

রকাদা আই এসকী মায়োক্তা চাউনা মায় পাকখিবগী মতাংদা য়ু এস এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসল রিপ্রজেন্টেটিভশিংনা কা হেন্না হরাউবগী ৱারোলশিং থোক্লিবসি ঙক্লিংঙাই ওই হায়না রসিয়ন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

রকানা তুবগা মরী লৈননা য়ু এসনা কা হেন্না হরাউ তয়াম্বা ফোঙদোকপগী ফীভম অসি চিংননীংঙাই ওই হায়না মিনিষ্ট্রিনা হায়খি।

তশেংনমক রাকা অসি হৌজিক হৌজিক সিরিয়ন রেজিমনা রসিয়ন বেকিংগা লোয়ননা ওপরেসন চত্থরিবা দৈইর ইজোরদগী য়াম্না হেন্না পীকপা প্রোভিন্সিয়ল সিটি অমনি হায়না রসিয়ন মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্টনা হায়খি। ষ্টেটমেন্ট অদুনা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংবু রাকাগী কা হেন্না মাঙ তাকপগী ফীভম কুপশিন্নবা সিটি অসিদা তেংবাঙগী কয়া হুপ্পা থাজিনহল্লি হায়না মরাল শীখি।

মোস্কোনা হায়খি, মমাঙদা রসিয়ানা মালেমগী লৈবাকশিংদগী হ্যুমেনিটরিয়ন মতেংশিং নীখিবা মতমদদি নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা পীয়ু য়াখিদে। মরম অদুনা অতৎ অখম লৈতনা সিটি অদুদা হ্যুমেনিটরিয়ন তেংবাঙশিং থাজিনবগী মরমদি য়ু এস এভিয়েসন অমসুং কোলিসনগী তমথীবা বোমিংশিংগী মমিশিং উহনদনবা হোৎনবা ওইগনি হায়না মিনিষ্ট্রিনা ক্লেম তৌখি।

# সিরিয়াগী টাউন থাদোক্লমদাইদা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা মীচম ১১৬ হাৎখ্রে



দামাসকস, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সি): সিরিয়াগী লৈকংলাগী টাউন অল-কর্য়তোন সিটি গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী মখূৎতা তাদ্রিঙৈগী মমাঙদা সিরিয়ন রেজিমদা মতেং পাঙখিবনি হায়বা মীওই ১১৬ ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা হাৎখ্রে হায়না মোনিটর অমনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

নুমিৎ ২০নিরোমগী মতমগী মনুংদা ইস্লামিক ষ্টেটনা লমন খুন্নগী থৌদৌ ওইনা য়ামদ্রবদা মীচম ১১৬ হাৎখ্রে হায়না বৃটেন্দা বেজ তৌবা সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটস মোনিটরগী মকোক রামি অবেদল রহমন্না ফোঙদোকখি। রহমনগী মতুং ইন্না জিহাদিষ্টশিংনা মীচমশিং অদুবু রেজিমগী ফোর্সশিংগা খূৎশন্নবগী মরাল শীখি।

রেজিমগী ফোর্সশিংনা থাংজ নুমিৎতা সেন্ত্রেল হোমস প্রোভিন্সতা লৈবা লৈকংলাগী লম অল-কর্য়াতাইবু জিহাদিষ্টশিংনা কন্ট্রোল তৌখিবা চয়োল অহুমগী মতুংদা নৌনা অমুক খুদুম চনখি। আই এসনা টাউন অদু অহানবদা কুমজা ২০১৫দা পায়শিনখি অমসুং মদু হৌখিবা চহীদা রসিয়নশিংনা শৌগৎপা সিরিয়ন ফোর্সশিংগী মখূৎতা তাখি। রেজিমনা থাংজ নুমিৎতা অমুক হন্না পায়শিনখিবা মতুংদা টাউন অদুগী মীয়াম্না লম্বীশিংদা অশিবা হকচাংশিং থেংনখি। মখোয়দু নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎপা নৎত্রগা থাঙনা মঙক্তা লেল্লগা হাৎখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না অবেদল রহমন্না ফোঙদোকখি।

থা অমগী মমাঙদা টাউন অসিদা এটেক তৌখিবা আই এস ফাইটর অয়াম্বা টাউনসিদগী ওইবনা রেজিমবু শৌগৎপা নৎত্রগা য়াদবা মফম অসিগী মীওইশিং মখোয়না খঙই হায়না মহাক্না হায়খি। শিখিবশিংদুগী অয়াম্বদি আই এসকী মখূৎতগী টাউন অসিবু অমুক হন্না পায়শিনগদবা নুমিৎ নীনি ৱাৎলিঙৈদা হাৎখিবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# মারাৱিদা প্রো-ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপ শৌগৎপা মিলিটেন্ট পূম্নমক লোইশিল্লে : ফিলিপিন্স দিফেন্স সেক্রেটরি দেলফিন লোরেঞ্জা



মনিলা, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সি) : সাউর্দর্ন সিটি মারাৱিদা লৈহৌরিবা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপ শৌগৎপা মিলিটেন্টশিং নিংথৌকাবা নুমিৎতা ‘লোইশিল্লে’ হায়না ফিলিপিন্সকী দিফেন্স সেক্রেটরি দেলফিন লোরেঞ্জানা লাউথোকখ্রে।

সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা গ্রুপ অদুনা খোঙফম অমা ফংখ্নগদ্রা হায়না কিহনখিবা খোঙথাং অমদা মিলিটেন্টশিংনা সিটি অদু কন্ট্রোল তৌশিনখিবা চপ চানা থা মঙা লৈরগা ফিলিপিন্সনা মিলিটেন্টশিং লোইশিনবগী ৱাফমসি লাউথোকখিবনি।

সাউথ ইষ্ট এসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টরশিংগী চহীগী মীফমদা ৱা ঙাঙলদুনা লোরেঞ্জানা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, অরোইবা মিলিটেন্ট কাঙবুদুগী হকচাং ৪২ ক্রুপশিংনা লৌখৎখি। মখোয়শিংসি শিখাং খাংলগা লৈহৌবা অরোইবা মাউতেশিংনি। মখোয় বিল্ডিং অমদা লৈরম্বা থেংনখি অমসুং নাকল্ল অনীগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্ন খিবদা মখোয়বু লোইশিনবা ঙমখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

সিক্যুরিটি ওফিসল অনীনা নিংথৌকাবগী অঙনবদা এসোসিয়েটেদ প্রেসতা ফোঙদোকখিবদা মিলিটেন্টশিংগী অরোইবা লেপফম ওইখিবা বিল্ডিং অদু লৌশিনখ্রবা মতুংদা ক্রুপশিংনা হকচাংশিংদু য়েংনখিবনি হায়খি।

লোরেঞ্জানা হায়খি, মিলিটেন্টশিংনা ফাজিন্দুনা থল্লকখিবা অরোইবা হোষ্টেজশিংদু হান্না ফংখি। ‘মারাৱি সিটি মনুংদা হৌজিক মিলিটেন্টশিং লৈত্রে’ হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ফিলিপিন্সকী সিটি অদুবু কন্ট্রোল তৌখিবা মতমদা সিরিয়া অমসুং ইরাক্তা লৈফম লৈরক্নবা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা লোকেল লালহৌবশিংদা ঈথিল পীদুনা মখোয়গী পাঙ্গল হেনগৎহনবা য়াই হায়বগী অকিবা লৈখি। আই এসকা মরী লৈনবা লালহৌ অদুবু মায়থীবা পীখিবগা লোয়ননা মখোয়গী লুচিংবশিংবু হাৎখিবা হায়বসি লমদম অদুগী ওইনদি লাইবক ফবা ওইখি।

মনিলাগী অৱাংদা লৈবা ক্লার্কক্রিপোর্টতা পাঙথোক্লিবা সাউথ ইষ্ট এসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিশিংগী মীফমগী এজেন্দাদা টেররিজম থেংনবনা মকোক্তা লৈখি। মীফম হৌদোকখিবগা লোয়ননা ব্রুনৈ দেলিগেসনগী মকোক্না মারাৱিদা শিখিবশিংগীদমক্তা অৱাবা ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং ফিলিপিন্সপুদি সিটি অদুবু লিবরেট তৌবা ঙক্কীদমক্তা থাগৎখি।

ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকীগা মান্নবা ফিৱালশিং হাইবা কয়া য়াওনা মিলিটেন্টচা কয়ানা হৌখিবা মেগী ২৩দা মারাৱিগী মফমশিংদু খুদুম চনখি। মখোয়না রোমন কেথলিক চৎপশিংনা মশীং য়াম্বা ফিলিপিন্সকী খা থংবদা লৈবা ইস্লামিক লাইনীংগী সেন্তর অদুগী সেন্ট্রেল বিজনেস দিষ্ট্রিক্টশিং অমসুং অকোয়বা মফমশিং কন্ট্রোল তৌশিনখি। মখোয়না নোংমৈগী ষ্টোরশিং য়াওনা বেঙ্ক অমসুং দুকান কয়া চঙশিন্দুনা লৌনীংবা শেল অমসুং পোৎচৈশিং লৌখি লোয়ননা য়ূমশিং লুট তৌখি অমসুং রোমন কেথলিক কেথিদ্রল অমদা লাইগী মীতম কয়া থুগাইখি হায়না মিলিটরিনা ফোঙদোকখি।

লাল অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ১,১৩১ শিখ্রে। মখোয়গী মনুংদা মিলিটেন্টশিংগী মশীংনা ৯১৯নি অমসুং লান্মী অমসুং পুলিসকী মশীংনা ১৬৫নি। রোমন কেথলিক প্রীষ্ট অমা য়াওনা য়ামদ্রবদা মিলিটেন্টশিংনা ফাজিনখিবা হোষ্টেজ ১,৭৮০ রেস্কু তৌখি।

# কোল্ড ৱারগী মতুংদা অহানবা ওইনা য়ু এসনা ন্যুক্লিয়র বোমরশিং মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈহনগদৌরি



ৱাশিংটন, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সি): নোর্থ কোরিয়াগা উংখৎনবগী ফীভম লৈরিঙৈগী মরক্তা য়ু এসনা মসিগী এয়র ফোর্সতা ন্যুক্লিয়র খূৎলায় পুবা বোমরশিং পুং ২৪ মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈহন্নবা ওর্দর তৌরবা য়াই হায়রি।

করিগুম্বা ওর্দর অদু ইস্যু তৌবা তারবদি কুমজা ১৯৯১দা কোল্ড ৱার লোইশিনখিবা মতুংদা অহানবা ওইনা বি-৫২ বোমরশিংবু লালগীদমক শেম শাদুনা থমগদৌরিবনি।

দিফেন্স ৱানগী মতুং ইন্না, ন্যুক্লিয়র খূৎলায়শিং পুবা য়ু এসকী বোমরশিংদু ওর্দর হেক পীবগা মীৎকুপ অমগী মনুংদা পায়থোক্নখিবনি। রিপোর্ট অদুনা য়ু এস এয়র ফোর্সকী চীফ ওফ ষ্টাফ দেভিদ গোল্ডফৈনগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি মদুদি, খোঙথাং অদু তাংদাংবা ফীভম অমগা মরী লৈননা লৌখৎকদবা নৎতে তৌইগুম্বসুং হৌজিক্কী মালেমগী ফীভম য়েংদুনা লৌখৎকদৌরিবনি। য়ু এসনা মাঙলোমদা চঙশিন্নবা শেম শারে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈহন্নবগী ওর্দরশিং হৌজিক ফাওবগী ওইনা থোক্ত্রিবা ওইরবসু মদুগীদমক শেম শাবদি হৌখ্রে।

রিপোর্ট অদুনা মখা তারদুনা খোঙথাং অসিগী মরুওইবা মরম অহুম পনখি। মখোয়দুদি নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়র খূৎলায়গী পুক্কৈগা লোয়ননা অকল অরিংগী থৌওং চত্থবা, য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা কিমগী রেজিমগা কা হেন্না য়ান্নদবগী মওং উৎপা অমসুং রসিয়াগী এক্টিভ আর্মদ ফোর্সশিংনি।

কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা মতম অমদা হেক্তা ন্যুক্লিয়র লাল থোক্লকপা য়াবগী ফীভম লৈরে হায়না নোর্থ কোরিয়ানা ফোঙদোকখিবা চয়োল অমরোম লৈরগা য়ু এসকী খোঙথাং অসি লাক্লিবনি। নোর্থ কোরিয়াগী দেপ্যুটি য়ু এন অম্বেসেদর কিম ইন রয়োংনা য়ু এন জেনরেল এসেম্বলিগী দিসোর্মামেন্ট কম্মিটিদা পিয়োংয়াংসু মশা ঙাকথোকচনবা ন্যুক্লিয়র খূৎলায়শিং পায়বগী হক লৈ হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি। মহাক্না নোর্থ কোরিয়া অসি কুমজা ১৯৭০গী মতুংদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা কা হেন্না অমসুং হকথেংননা ন্যুক্লিয়র লালগী অকিবা মায়োক্ন হল্লকখিবা মালেমগী অমৎতা ঙাইরবা লৈবাকনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

তুংদা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেটনা অহানবা বোম থাদদ্রিফাওবা নোর্থ কোরিয়াগা তেন্সন কোমথোক্নবা দিপ্লোমেটিক পাম্বৈশিং শীজিন্নদুনা হোৎনবদি মখা চত্থগনি হায়খি।

মহাক্না ত্রম্পনা মঙোন্দা দিপ্লোমেটিক পাম্বৈশিংগী খূৎথাংদা লৈবাক অনীগী মরী হন্থহন্নবা ইন্সত্রক্সন পীখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# টালিবান থেংনবা ঙম্নবা অফঘানিষ্টানগী কেপাসিটি হেনগৎনবা য়ু এসনা ইন্দিয়াবু মতেং পাঙহন্নীংলি




ৱাশিংটন, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সি): লান্না ৱাহল্লবা অফঘানষ্টানবু য়ূমলোন্নবা পাকিস্তান্দা বেজ তৌবা নৌনা পাঙ্গল হাপ্লবা অফঘান টালিবানবু থেংনবা ঙম্নবা পাঙ্গল হেন্না কনখৎহনবদা দোনাল্ড ত্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসন্না ইন্দিয়াবু মতেং পাঙহন্নীংলি।

হীরম অসিগী মতাংদা য়ু এসকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি মদুদি, অফঘানিষ্টানবু মরু ওইনা পাকিস্তান্দা লোন্নবা বোর্দর ৱাংমদা লৈশিল্লিবা নৌনা পাঙ্গল হাপ্লবা টালিবান থেংনবদা খুদোংচাগদবা মওংদা ইন্দিয়ানা মতেং পাঙবা য়াই হায়না য়ু এসকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

ত্রম্পনা হৌখিবা ওগষ্টতা অনৌবা অফঘান অমসুং সাউথ এসিয়া পোলিসি লাউথোকখিবা মতুংদা অফঘানিষ্টান্দা ঈং চীকপা অমসুং মরা চেৎপা ফীভম পুরকপদা ইন্দিয়ানা লৌরিবা থৌদাংগী মতাংদা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুম ওফিসল অদুনা পীখিবনি।

অফঘানিষ্টান্দা পীবা ইন্দিয়াগী তেংবাঙ মরু ওইনা চাওখৎ থৌরাংগী হীরমদা হান্নদগী হেন্না য়াঙশিনহনবা পাল্লি। অফঘান মীয়ামদা মতেং পাঙদুনা ইন্দিয়ানা অফঘানিষ্টানবু মতেং পাঙলি। খুদম ওইনা ঈশিংগী মেনেজমেন্টগী লমদা ইন্দিয়ানা অফঘানিষ্টানবু মতেং পাঙদুনা থবক কয়া পায়খৎখ্রে।

মখোয় (ইন্দিয়নশিং) না অফঘানিষ্টান্দা ইন্দষ্ট্রি খরা লিংবদসু মতেং পাঙখ্রে। মদুনা লৈবাক অসিবু শেল থুমগী লমদা চাওখৎহল্লগনি অমসুং মীয়াম্বু থবক ফংহনবদা মতেং পাঙলগনি। কন্সত্রক্সন সেক্টর অসিসু ইন্দিয়ানা চাউনা মতেং পাঙলিবা এরিয়ানি হায়না ওফিসল অদুনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, অসিগুম্বা ফীভম অসিদা ইন্দিয়ানা শেল থুম চাওখৎহন্নবগী লমশিংদা মতেং কয়া পীবদা য়াম্না কান্নগনি। ময়াই কাবা পোৎশকশিং ললোন ইতিক তৌবগী প্রোব্লেম সোল্ভ তৌবদা আইদিয়া কয়া পুথোরকপদা অমসুং মতেং পাঙবনসু কান্নবা য়াম্না পীগনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্না হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনসু তৌবা য়াবা কয়া তৌরি হায়খি।

তৌইগুম্বসুং অফঘানিষ্টানবু তুং কোয়না সিক্যুরিটি, মরা চেৎপা ফীভম, শেল থুমগী গ্রোথ লৈহন্নবা অমসুং মালেমগী তেংবাঙগী মখা পোন্না লৈবা হন্থনবা অতৈনসু মান্নবা থবক কয়া পায়খৎলক্কনি অমসুং পোৎলুমশিং পুমিন্নগনি হায়না প্রসিদেন্টনা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। অদুগুম্বা মতেং অদু ইন্সটিট্যুস্নেল রিফোর্মগী লমশিংদা ওইবা য়াই হায়না ওফিসল অদুনা হায়খি।

খুদিংমকসি অফঘান প্রসিদেন্ট অশ্রফ ঘানিগী ইনিসিয়েটিভশিংগা চান্নবা পায়খৎপা ঙাক্তনি। অদুম ওইনমক অফঘানিষ্টান্দা ইন্দিয়া-য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা কাউন্টর টেররিজমগী লমদা কোওপরেসন পীনবগী মতাংদা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা ওফিসল অদুনা হায়খি মদুদি, ঐখোয়না অফঘানিষ্টান্দা দিফেন্সকী সেক্টরদা থবক তৌমিন্নবগী ৱাফম অসি তশেংনমক য়াম্না মরুওইনা পায়খৎমিন্নগদবা থবক ওইদে। য়ু এসনা অফঘানিষ্টানগী সিক্যুরিটিগী ফীভম ফগৎকদবা থবকশিংদা মিৎয়েং থমদুনা থবক খুদিংমক পায়খৎপা পামই।

# ইস্লামাবাদতা লৈবা চাইনিজ অম্বেসেদরদা অহেনবা সিক্যুরিটি পীনবা চাইনানা পাকিষ্টান্দা তকশিনখ্রে

বৈজিং, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সি): মতম শাংনা ইস্লামাবাদতা থবক তৌরক্লবা চাইনিজ এনভোইদা অহেনবা সিক্যুরিটি পীনবা চাইনানা পাকিষ্টান্দা তকশিনখ্রে। অথিংবা থম্বা এক্সট্রিমিষ্টর সেপরেটিষ্ট গ্রুপ অমনা মহাকপু হাৎকনি হায়না কিহনবদগী চাইনানা পাকিষ্টান্দা চাইনিজ এনভোইগী সিক্যুরিটি ফগৎহন্নবা তকশিনখিবনি।

হৌখিবা ওক্টোবর ১৯দা পাকিষ্টানগী মিনিষ্ট্রি ওফ ইন্টরিয়রদা ইখিবা লেট্টর অমদা চাইনানা সিক্যুরিটি ফগৎহনবগী ৱাফমদু হায়জখি।

লোকেল মিদিয়াদা ফোঙখিবা লেট্টর অদু দোলর বিলিয়ন কয়াগী চাইনা-পাকিষ্টান ইকনোমিক কোরিদোর (সী পি ঈ সী) দা মরু ওইবা মীশক ওইরিবা পিং য়িং ফিনা ইখিবনি। মহাক্না পাকিষ্টান্দা ইস্লামাবাদতা লৈবা চাইনিজ অম্বেসেদর য়াও জিংবু হাৎপা পাম্বা মিলিটেন্ট অমা খুদক্তা ফানবা তকশিনখি।

পিংনা হায়খি মদুদি, পাকিষ্টানগা লোন্নবা চাইনাগী সিঞ্জিয়াং রিজন্দগী ওপরেট তৌবা অথিংবা থম্বা ইষ্ট টর্কেষ্টান ইন্দিপেন্দেন্ট মুভমেন্টগী মীওই ওইবা অব্দুল ৱালি কৌবা মিলিটেন্ট অমনা য়াওবু হাৎকনি হায়না হঞ্জিন হঞ্জিন কিহল্লে।

চাইনানা পাকিষ্টান্দা অম্বেসেদর অদুগা লোয়ননা পাকিষ্টান্দা থবক তৌরিবা অতৈ চাইনিজ ঙাক শেনবীবগী থবক ফগৎহন্নবা তকশিনখি। বৈজিংনা ইস্লামাবাদতা টেররিষ্ট অদু য়াম্না থুনা ফারগা ঐখোয় (চাইনা) দা শিন্নরক্নবসু হায়খ্রে।

পাকিষ্টান্দা লৈবা চাইনিজ ওফিসলশিংগী সিক্যুরিটিগী ৱাফম লুনা লৌরকপদগী সী পি ঈ সী য়াওনা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিংদা থবক তৌরিবা চাইনিজ ৱার্করশিংদা সিক্যুরিটি পীবগী থবক অর্মিদা শিন্নখি।

পাকিষ্টানগী ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রি অমসুং চাইনিজ অম্বেসিনা লেট্টর অদুগী মতাংদা কম্মেন্ট পীখিদে।

পাকিষ্টান ওকুপাইদ কাশ্মীর ফাওগদবা সী পি ঈ সীনা রেইল, রোদ অমসুং পাইপলাইনগী নেটৱার্ক অমগী খূৎথাংদা চাইনাগী সিঞ্জিয়াংগা পাকিষ্টানগী সিপোর্ট গ্বাদরগা শম্নহনগনি।

# কাটালান ওথোরিটিশিংনা মাদ্রিদকী ওর্দরশিং ইল্লোই হায়খ্রে

বার্সিলোনা, ওক্টোবর ২৩ (এজেন্সি) : করিগুম্বা মাদ্রিদনা নম্ফুদা কাটালোনিয়াবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনরক্লবদি কাটলান ওথোরিটিশিংনা স্পেনিস গভর্ণমেন্টগী ওর্দরশিং ইল্লোই হায়না লমদম অদুগী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

লমদম অদুগী ফোরন এফেয়র্সকী স্পোক্সমেন রাউল রোমেভানা বি বি সীদা হায়খি মদুদি, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা কাটালানশিংগী ৱিলগী মায়োক্তা থবক তৌই। স্পেনগী প্রাইম মিনিষ্টর মারিয়ানো রাজোয়না লমদম অদুগী গভর্ণমেন্ট মুখৎনবা অমসুং পার্লিয়ামেন্টনা মনীং মখা তম্বগী পোইন্ট খরা ককথৎনবগী থৌরাংশিং লাউথোকখিবা মতুংদা রোমেভানা ৱাফমসি ফোঙদোকখিবনি।

ওইরক্লিবা ফীভম অদুদা কাটালান পার্লিয়ামেন্টনা শগোলশেল নুমিৎতা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মসিগী পাউখুমগী মতাংদা খন্নগনি।

নীংতম্বগী ৱাফম শৌগৎপা লিদরশিংনা মখোয়গী ওইনা হৌনবী মতুং ইন্না নীংতম্বা লাউথোকচনবগী মতাংদা ৱারেপ অমা লৌবসু য়াই হায়না বি বি সীগী বেথানি বেলনা বার্সিলোনাদগী ফোঙদোকখি।

ইরাই নুমিৎতা স্পেনিস সৈনেটনা গভর্ণমেন্টগী থৌরাংশিংদু রিজনেল মীখলশিং নৌনা পাঙথোক্নবগী প্রপোজেল অমগা লোয়ননা এপ্রুভ তৌরবা য়াই হায়রি।

থা অসিগী অঙনবদা অথিংবা থম্বা রেফরেন্দম অমা পাঙথোকখিবা মতুংদা প্রসিদেন্ট কার্লেস পিগদেমোন্টনা লুচিংবা কাটালান গভর্ণমেন্টনা লমদম অদুবু নীংতম্বা ষ্টেট অমা ওইহন্নবগী থবকশিং লেপ্পু য়াখিদবনি। মমাঙদা উখিদ্রিবা খোঙথাং অমদা থাংজ নুমিৎতা স্পেনগী প্রাইম মিনিষ্টর রাজোয়না কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৫৫ চংনহল্লগনি হায়খি।

আর্টিকল অসি চংনবনা ক্রাইসিস থোক্লকপা মতমদা লৈবাক অদুগী ওটোনোমস লমদমশিংগী মনুংদগী অমবু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা হকথেংননা লৈঙাকপা য়াহল্লি। তৌইগুম্বসুং কাটালান লিদরশিংনদি থৌরাং অদু মখোয়না য়ারোই হায়রি।